# ২৬ শুবা গভর্নর্স কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট

## এম পি এস সি এ অমদি এক্স পোলো ক্লব সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ঃ** মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিসেয়ন্না শীন্দুনা ইম্ফাল পোলো গ্রাউন্দ মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ২৬ শুবা গভনর্স কপ ইনভাইটেসন ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ক্কাটর ফাইনেগী মেটচশিংদা এম পি এস সি এ না ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব পাঞ্জল ৭–৫ দা অমদি এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খোনা এম পি এস সি সি পাঞ্জল ৭–৫ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি এ না শান্নখিবা মেটচ অদুদা এম পি এস সি এ না অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ৪, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অমদি মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ চনখিবনি।

ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদুনা অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অহুমশুবা অমদি অনিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২।২ চনখিবনি।

এম পি এস সি এ গী অহানবা চক্করগী পাঞ্জল ৪ অদু ঐচ অবুং খুমন্না ০.১৪ অমদি ০.৩০ সেকেন্দ অনী, এস বিমোল অমদি এম জৱান্না ০.৫২ সেকেন্দ অমদি ১.১৩ মিনটতা অমমম চনখিবনি। অনীশুবা চক্করগী পাঞ্জল ২ অদু এম জৱান্না ২.৩৭ অমদি এস বিমোলনা ৫.৩৯ মিনটতা অমমম চনখিবনি।

মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদুনা এস বিমোলনা ১.১১ মিনটতা অমা চনখিবনি।

ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবগী অনীশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদু এম মহিহরনা ৪.১৪ সেকেন্দদা অমা, অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল অনি অদু এস গিরিমোহোন অমদি ও সোমোজিৎনা ৪.০৮ অমদি ৭.০৯ মিনটতা চনখিবনি।

মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জল অনি অদু এম দোরেন অমদি এম মণিহারনা ৩.৪০ অমদি ৫.১৬ মিনটতা চনখিবনি। কে ধনাচন্দ্র অমদি টি ঐচ বসন্তনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

এক্স পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি সি না শান্নখিবা অনীশুবা ক্কাটর ফাইনেল মেটচ অদুগী এক্স পোলো ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা , অনিশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা ২।২ অমদি অহুমশুবা চক্করদা ১ চনখিবনি।

এম পি সি সি গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা , অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা অমমম অমদি অনীশুবা চক্করদা অনী চনখিবনি।

অহানবা চক্করগী পাঞ্জল অদু টি ঐচ রোমেন্না ৪.৪৩ মিনটতা অমা, অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদুনা এম সুরজিৎনা ৩.০৯ মিনটতা অমা অমদি মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদু এম বেবেকনন্দনা ৬.০৭ মিনটতা অমা চনখিবনি।

কে ধনচন্দ্র অমদি টি ঐচ বসন্তা মাউন্টেট অম্পায়র ওইদুনা কন্দক তৌখি।

হয়েং অহুমশুবা ক্কাটর ফাইনেল মেটচদা খুরাই পোলো ক্লব অমদি আই আর সি অমদি মরিশুবা ক্কাটর ফাইনেল মেটচদা এম পি এস দি অমদি ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব শান্নরগনি।




এক্স পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি না শান্নখিবা অনিশুবা ক্কাটর ফাইনেল মেটচদা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্ননবা হোৎনখিবা

# রাজবাপু শর্ম্মা ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট

## আই জি ও এন, ৱাই ভি এ, ৱাই এম দি ও এস অমদি ৱাই এম দি ও য়ু মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ঃ** য়ং মেনস দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরিবা মরিশুবা এল রাজবাপু শর্ম্মা মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল কেস প্রাইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আই জি ও, ৱাই এম দি ও এস অমদি ৱাই এম দি ও য়ু মায় পাকখ্রে।



গ্রুপ এ গী আই জি ও ওইনাম অমদি চুরাচান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচ অদু আই জি ও না সেট ৩–০ (২৬–২৪, ২৫–১৭, ২৫–১২) , গ্রুপ বি গী শান্নখিবা মেটচদা এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেম না ভি এস এ মোইদাংপোক সেট ৩–১ (২৫–২২, ২৪–২৬, ২৫–১৯,২৫–১৬), আই এম দি ও এস না এস য়ু দব্লিউ সি নম্বোল ইরেংবম সেট ৩–০ (২৫–২১, ২৫–২৩, ২৫–১৭ ) দা অমদি গ্রুপ এ গীদা ৱাই এম দি ও য়ু না য়ু সি সেট ৩–০ (২৫–১৮,২৫–১৭,২৫–১৭) দা মায়থিবা পীখি।

হয়েং গ্রুপ এ গী মেটচদা ৱাই এম দি ও য়ু অমদি বি ৱাই সি , গ্রুপ বিগী মেটচদা এন ৱাই ভি এ অমদি ৱাই এম দি ও এস, গ্রুপ এ গী দব্লিউ সি অমদি আই জি ও অমদি গ্রুপ বি গীদা ভি এস এ অমদি এস য়ু দব্লিউ সি না শান্নরগনি।

# অহুমশুবা এম সি এ দব্লিউ রমানন্দা ইলিট টুর্নামেন্টদা চেম্প মায় পাকখ্রে অহুমশুবা এম সি এ প্লেট টুর্নামেন্টদা ওস্কর পাওনা বাজার মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ঃ** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহুমশুবা এম সি এ দব্লিউ প্রলাদা অমদি দব্লিউ রমানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচদা চেম্প খাগেমপাল্লিনা রন ৫৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এম সি এ প্লেট টুর্নামেন্টগী শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচদনা ফোর্স খেক্সিগাওনা ওস্কর পাওনা বজার ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

প্লেট টুর্নামেন্টগী ওস্কর অমদি ফোর্স খেক্সিগাও না লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ওস্কর না অপীবা ওভর ৪০ গী মনুংদা ৱিকেট ৯ আউত ওইরগা রন ১৮৩ লৌখি। ৱিলসন্না বোল ৮১ দা রন ৮৭, অমর্জিৎনা বোল ৪৫ দা রন ১৭ অমদি পীয়োনা বোল ২৮ দা রন ১৭ লৌখি।

ফোর্সগী বোল্লর সদাম্না ৱিকেট ৫, কবিরনা ৱিকেট ২ , প্রবেস অমদি গায়সউদিননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ফোর্সনা অনিশুবা ইনিংসগী বেটিং তৌখিবদা ওভর ৩১.২ দা ৱিকেট ৪ আউত ওইরগা রন ১৮৫ লৌদুনা ওস্কারনা ৱিকেট ৪ আউত ওইরগা রন ১৮৫ লৌদুনা ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখিবনি। ইনিংস অদুদা কারিম্না বোল ৪৭ আউত ওইদনা বোল ৮৭ দা রন ৬৯ , সুভানুদিননা বোল ৪৪ দা রন ২৯ অমদি প্রবেসনা আউত ওইদনা বোল ১৭ দা রন ২৩ লৌখি।

ওস্কারগী বোল্লর সুনামনিনা ৱিকেট অহুম অমদি কৃষ্ণনা ৱিকেট অমা লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা ফোর্সগী সদাম্না ৱিকেট মঙা লৌদুনা তাখি। হয়েং ৱাই এ সি অমদি কে ৱাই সি শান্নরগনি।

চেম্প অমদি থাউনা শান্নখিবা ইলিট টুর্নামেন্টগী মেটচ অদু চেম্পনা তোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং খনখিবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৯ আউত ওইরগা রন ২২৫ লৌখি। ইনিংস অদুদা সুলতান বোল ৮৭ রন ৬৬, সচিকন্তা বোল ৭০ রন ৫৭, বোনিনা বোল ২৮ রন ২৯, রোবিনসনা বোল ২০ দা রন ১৬ অমদি সুন্দরনা বোল ১৪ রন ১২ লৌখি।

থাউ গী বোল্লর কবিরনা ৱিকেট ৩, সিনেট অমদি লঙ্গোল য়াংবনা ৱিকেট ২।২অমদি চিতরঞ্জননা ৱিকেট অমা লৌখি।

থাউনা অনিশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ৪৫.৫ দা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ১৭০ লৌবদগী রন ৫৫ দা মায়থিখিবনি । ইনিংস অদুদা লঙ্গোলয়ামবনা বোল ৫২ দা রন ৪৫ , সহিরনা বোল ৪২ দা রন ২৮, অমরজিৎনা বোল ৬০ দা রন ২৫, জেলসন্না বোল ৪২ দা রন ১৮ অমদি সিনেটনা বোল ৩১ দা রন ১৪ লৌখিবনি।

চেম্পগী বোল্লর কেনেদিনা ৱিকেট অহুম ,সুলতান অমদি রবিনা ৱিকেট ২।২ অমদি সুন্দরনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেন ওফ দি মেটচনা চেম্পগী সুলতান্না রন ৬৬ অমদি ৱিকেট অনি লৌদুনা তাখি।

হয়েং ৱাই দব্লিউ সি পাটসোই পাট ৱান অমদি টি সি এম টি সি থোংজু শান্নরগনি।

# দি এস এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টদা ক্লাসা অরোয়বা সেমি ফাইনেল চঙবা ওইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ঃ** ক্লাসা কৈনৌনা এফ সি মোইরাং গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীরগা দি এস এ ককচিং গ্রাউন্দদা চথরিবা ১২ শুবা দি এস এ ট্রোফি নাওরেম ভুবোন মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী অরোইবা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্কাটর ফাইনেল মেটচ অদুগী ক্লাসাগী গোল অহুম অদু রোমেসনা ২০ অমদি ৬৪ শুবা মিনটতা অনি অমদি হেরোজিৎনা অহানবা হাল্ফগী অনীশুবা মিনট ৪৭ দা অমা চনখিবনি।

এফ সি গী গোল অনী অদুনা নিউতন্না ৭৫ অমদি মোমোচানা ৮০ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

ক্লাসাগী মণিতোন্দা রেফরিনা ২৪ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

এফ সি গী জেমস, জোন্তি অমদি নিউতনদা রেফরিনা মথংশিংনা ২৩, ৪৫, অমদি অনীশুবা হাল্ফগী অহাপ্পা মতমগী মরিশুবা মিনট ৯৪ দা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি। অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচদা নেরোকা অমদি এস এস য়ু শান্নরগনি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচদা কে পি এস সি অমদি ক্লাসা তাং ১৭ অমদি ১৮ শান্নরগনি।

# ৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া মেন অমদি সব জুনিয়র নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়নসিপগী শান্নরোইশিং খনখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মার্চ ১৫ঃ** ছতিগরগী রাইপুরদা চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১০ দগী ২৪ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা হোক্কি ইন্দিয়া মেন নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ এ দিভিজন অমদি চহী অসিগী মে ১২ দগী ২২ ফাওবা ইম্ফালদা পাংথোক্কদৌরিবা ৬শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ এ দিভিজনগী শান্নরোইশিং মণিপুর হোক্কি টিমগী সেলেক্সন টিম্না খনখ্রে হায়না মণিপুর হোক্কিগী ওন্নররি জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

জনিয়র মেনগী ওইনা খনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপ্পরদা এম ধনারাজ সিংহ , এস সন্তোস সিংহ, ফুল বেক্তা পি ঐচ এম গী টি পিয়োব্রতারোই, এস ৱাই য়ু সি গী এস সুরেজ সিংহ, এফ সি আই গী কে ঐচ ধঞ্জয় সিংহ, হাল্ফদা এস ৱাই য়ু সি গী রোবট মোইরাংথেম, বি দি ঐচ এ গী এম রবিচন্দ্রা সিংহ ঐচ য়ু গী এম দিনাচন্দ্র সিংহ , এস ই ৱাই ও গী কে এস ঐচ দোল্লরশিং এফ সি আইগী পি রাকেস সিংহ অমদি ঐচ থৌঙম্বা মৈতৈনি।

ফোরৱাদদা ঐচ য়ুগী টি ঐচ কিংসন সিংহ , এস ৱাই য়ু সি গী এল মন্তোস সিংহ , পি ঐচ এ এমগী কে এস ঐচ প্রিয়োব্রতা সিংহ , এফ সি আইগী কে ইবুংঙো , মৈরাগী এন জেনজেন সিংহ , এস সি ৱাই ও গী অমদি মৈরাগী এন রোজকুমারনি । ষ্টেন্দভাইদা এম এমসন সিংহ থমখ্রে। টিম অসিগী কোচ অমদি মেনেজরনা কে এস ঐচ উমাস্কর অমদি আই নদেশ্বর সিংহ না ওইগনি।

সব–জুনিয়র মেনগী খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি বি দি ঐচ এ গী পি ঐচ অমরজিট সিংহ অমদি টি ঐচ সুরাজকন্তা মঙাংনি।

ফুল বেক্তা এস সি ৱাই ও গী কে এই ঐচ মহেশকন্তা সিংহ , পি ঐচ এ এম গী টি পিয়োব্রতারোই অমদি এস ৱাই য়ু সি গী এস সুরেজ সিংহ নি। হাল্ফগীদা বি দি ঐচ এ গী এম রবিচন্দ্র সিংহ , এস ৱাই য়ু সি গী এস অমুচাও সিংহ , ঐচ য়ু গী এম দিনাচন্দ্র সিংহ, মৈরাগী টি ঐচ ষ্টেফেন অমদি বি দি ঐচ এ গী টি নিরজ সিংহ নি।

ফোরৱার্দদা ঐচ য়ু গী ঐচ য়ুগী টি ঐচ কিঙ্সন সিংহ, এস ৱাই য়ু সি গী এল দিপু সিংহ, এস ই ৱাই ও গী ঐচ ষ্টেলিন সিংহ , ঐচ য়ুগী দব্লিউ রোবিনসন সিংহ, পি ঐচ এমগী পি মোনিস সিংহ,মৈরাগী টি ঐচ বোনি সিংহ , এস ই ৱাই ও গী এল পিটর অমদি ঐচ য়ু গী দব্লিউ নিরাজকুমার সিংহ নি।

ষ্টেন্দবাইগী গোল কিপরদা পি ঐচ এ এমগী এম সন্তোস কুমার সিংহ অমদি ঐচ য়ু গী ৱাই বিদ্যান্দা সিংহ থমখ্রে।

কোচনা কে এস ঐচ উমাশঙ্কর সিংহ না ওইগনি।













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*